ৱারী ককনাউ

# নৱা লৌদে

ইতৈমা ইবেলৈনা মখ্বাংদু মেৎলগা, ক্লব মমাঙগী লম্পাক মচাদুদা ক্লবকী নহারোলশিংদুদা মচিন্দা জরদা ওইগদ্রা খঙদে, ওইরমগনি মনাক্তা চঙবদা জর্দা মনম ৱা-ৱা নম্মী, উমসাই-উমসাই শাইরগা ঙসাইদগী ঙাঙলিসি পুঙ্খায় অমরোম ফারে। ক্লবকী মীশিংদু চাউরাক্লা অহানবদা তরামুক তিল্লগা করিনোমা খন্নরম্বনি, ইতৈমনা হেক চঙলক্লগা ৱা ঙাঙবা হৌরকপদগী মী অমা হৌগৎ, অনী হৌগৎ, হৌজিক মখোয় অহুমদা ঙাইরে।

"গোরমেননা পীনি হায়রিবা কেজি মশীংদো অদুদি শুহনবা তাবনি। গোরমেননা মশীং পাথোক্লগা পীরকপা চেঙবু, মোইনা কমাইনা কদাইদা খপথহৌরিনো? মোইবু উচি ওল্লবো? উচি অচৌবরো? চেঙ বোরা-বোরা চাবরো? সিদৈদি ঐনা শাউরক্তনা উচি হীদাক থারগা থবক তৌরক্লদি লোইনা ইকায় কায়ননি হায়রিসিনি"

"ঙাইবিখো ইতৈমা, ইতৈমনা ঙসাইদগী হায়রিবা ময়ামসি ঐখোয়সু তাগে হায়না তাবনি, ইতৈমনা হায়বিরিসি কনাদনো?"

"ঐনা হায়রিসে, য়েল্লিবা মীশিংদো অদুদনি, মরী লৈনবশিংদো।"

"ইতৈমগীদি ফংদ্রবো হায়রিসিবো?"

"ফংই, মী অমদা কেজি তরা পীযু হায়রগা ৫/৫ পীরিসি করিগীনো সিনি"

"ইতৈমগী ৱাসি চুমদি চুম্মী অদুবু মসি য়েল্লিবা মীদুদা হংবনা অশেংবদু খঙদৌ মাল্লি।"

"নোইবু ক্লবকী মী নৎত্রো? সিগুম্বসি ক্লবনা য়েংশিনগদবনি"

"ইতৈমগী ৱাদু ৱা অমরোমদা চৎখ্রেদা"

"করিদা চৎলুনি"

"ক্লবনা য়েংশিনগদবনি হায়বসি করম্বা লাইরিক্তা য়াওগে?"

"হেরা নোইসিদি খৎনবা হৌরেনা"

"হৌবৈ ৱা নত্তেদা, ৱাগী ৱা সুম হায়বৈ ৱানিদা। ইতৈমনা কৈসু লৈতবা চেঙ খরগীদমক য়াম্না হায়রিদো, ইতৈমগীসু অচৌবা অশোয়বা অমা লৈ, মদুসু চুমথোকপা মথৌ তাই।"

"ই! করিদা শোয়রিবা?"

"ঐখোয়গী ক্লবনা কোনবা মফমসিদা ময়াই কাবা চিঙ্জাক্কী পোৎলম চৈরম অমত্তা য়োনবা য়ারোই হায়না ঐখোয়না কন্না থিংলি। অদুগা ইতৈমনা লুপা ৫০ পীবা ক্বা জর্দা অমা চোপ-চোপ শাইরগা ঙসাইদগী ঙাঙলিবা ময়ামদো ঐখোয় তাগে হায়না তাবনি। মরী লৈনবশিংদা হায়বনা ফবনি। ইতৈমসু চাউনা শোয়বনি। কাইদগী ক্বানো ইতৈমনা চারিদুবো? ক্বা লুপা ৫০ পীবা মতম মঙা/তরা নোংমদা লৈরগা চাবদি ঙল্লগা গবর্ণমেন্টনা মীয়াম থুংনবা য়েল্লিবা চেঙদা শুই-শুদে হায়না অদুক য়াম্না ঙাঙলিদু ইকায়দ্রো?"

"হোয়নে অদু ঐখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটনিনে, মশীং শুনা পীবা তাবনিনে"

"ঐখোয় লৈকায়সিদা ভোটর মশীংগী ৱা তোকখ্রগা চীংদগী অমদি অরাপ্পা মফমদগী লাক্লগা মহে তমজবা, অতৈ থবক তৌজদুনা রেন্টতা লৈরিবা ময়ামসিগীদি করিমতা পীরোইদ্রো? ঐখোয়না চারগা মোইনা য়েংদুনা লৈগদ্রো? লোকদাউন হায়সি ঐখোয় লৈকায়গী মীখক্তগী ৱা নত্তে, ময়ামগীনি।"

"মোইসু মোই মোইগী খুন্দা নৎত্রগা লৈকায়দগী লৌ তারেদনা?"

"অদু লোকদাউন মনুংসিদা করিদা কদাইদা চৎতৌরিগে?"

"অদুদি মোই মোইগী থবকনি কৈনো"

"ইতৈমগী ৱাদু য়াদ্রেদা, মোইসু মীনিনে। হৌজিক লানগী মতমনি লানগী মতমসিদা অরৈ-অরৈবা য়েন্নদুনা চামিন্নবা তাবনিনে, ইথন্তা হিংগে হায়বা ৱাখলদু লান্দ্রো?"

"কনাগী লান?"

"য়ারে ইতৈমা ৱাসে য়াম হায়নরোইসি। ইতৈমগীদো ঐখোয় ক্লবনা অমুক্তা খন্নগে, অদুগা ইতৈমসু ক্বা চারগা ঐখোয় ক্লব মনুংসিদা চঙবীরক্কনু। নৎত্রদি ঐখোয়না ইতৈমদা ৱাফম কয়া থল্লকপদা ৱারৌনবা লাক্কনি।"

"করি থমদুইবা হা"

"ইতৈমা কান্নদেদা, লৈকায়সিদা ক্বা চাবা য়ারোই হায়না গবর্ণমেন্টকী ৱা মতুংইন্না থিংলিসি ঐখোয় ক্লবকী মীশিংসিনিনে। ক্বা চাবীগনু, য়োনবীগনু হায়না ফনা য়াম্না হায়জৈ। সিমক্তদা হুরান-হুরান য়োল্লিবা, চারিবা, য়োনগনু-চাগনু হায়রগা হেন্না-হেন্না শিংনদুনা চারিসিবু করিগীনো? অচাবসু-অয়োনবসু ফারগা থবক তৌরক্লদি লৈকায় মশেলনি নুংঙাইনরোই।"

"নোইগীসিদি ঐঙোন্দা হেক্তা তাইনবগী ৱানিনে"

"তাইনবগী ৱা নত্তে। হায়ফম থোকপদুনি"

"ও! লৈকায়সিদি নোয়না পাল্লেদনা"

"ইতৈমা চৎপীরো, নৱা লৌদে" ঙসাইখৈ ৱা হায়রমদবা তোলেননা খংলাউ লাউরকই। ইতৈমা ইবেলৈদু ৱা হায়রমদে ফেৎ-ফেৎ তৌরগা অদুম থোকখ্রে। মানা হেক থোকখিবগা ক্লবকী লৈহৌরিবা মখোয় অহুম য়েংনৈ।■

-নরেন্দ্র নিঙোম্বা

# 'শম্বল'

(হান্নগী মখা...) - চঙখিবসু কুইদ্রি, য়াম-থুনা অমুক থোরক্লিবদুনা করিগী অদুগা ইমানা পূক্লিং লৌশিং ওই হায়রিবদুনা করি করম্বা ৱাফমগীনো?

- ইবুংঙো ইমাদা শেংনা হায়য়ু, হৌজিক নহাক অৱাংলোমগী লৈশাবী অসিগা দুকান মমাঙ অসিদা ৱারী শানবরা?

- ইমা অদুবু কৈদৌরবগে?

- ঙাইখো-ঙাইখো, মানা লাক্লন্নিবা অদুদি করিগীনো?

- পোৎ লৈবা চঙজরকপনি, দুকান্দগী পোৎ লৈবা চঙজরকপা অদুবু নখোয় ইমুংগা ঐখোয় ইমুংগা য়ান্নদে অদুনা নঙোন্দা পোৎ য়োনলোই হায়দুনা হেক হায়রুগদ্রা।

- ফরে, ফরে দুকানসিদগী মহাক করি-করি পোৎতি লৈখিবগে?

- ঐখোয় ইমাসিমা, হৌজিক মহাক্লা লৈখিবা পোৎশিং অদু ঐহাক নীংশিংবা ঙমদ্রে।

- হেরা ইবুংঙো, ঐখোয়গী দুকান অসি বজারদা ফম্বা অচৌবা দুকানদৌনা মী য়াম চিনবসু নত্তে, নঙনা ঙাঙলিবা ৱাদু নাতৈ চাদেদা।

- ঐখোয় ইমাসিদি ঐদি তনবা অমা য়াওরক্কদৌরে, সে অশেংবদু ঐ ইমাদা হায়রগে, তশেংনা মহাক ঐখোয়গী দুকান অসিদা য়াওবা কেননবগী মচাক খরা লৈবা অদুক চঙলক্লম্বনি।

- অদুদি ইমাসু অশেংবা ৱাদু ওইনা হংলগেকো, নঙগা তিন্নবা মখোয়গী ওজা অমখক্লা নঙোন্দা পাউ অমখক্তা চেনবীয়ু হায়দুনা মহাক চঙলক্লন্নিবা নৎত্রা?

- কদাইদগীনো ইমা, কনাগী ওজানো ঐহাক মখোয়গী ওজাগা অমত্তা তিন্নখিবসু লৈতেনা।

- অদুদি শেংনা হায়য়ু মাগা-নঙগা হৌজিক শানখিবা ৱারী অদুদি করিনো?

- ইমাগী ৱাখল অদু লান্না খল্লমাল্লে, মাগা-ঐগা ইচম-চম্না ৱারী শানবা অসিবু য়াদবরা?

- সোম নাকলদনা মখোয়গী ইমুং অসিগা নখোয় পাবুংগদি তিন্নবা য়াদ্রিবনি। নঙসু খন্দুনা অমুক্তং য়েংউ, য়ুমথংননা লৈমিন্নরিবা অসিদা শম্বল খান্নবা অসিবু হৌনবরা? মখোয়গী মওং মতৌ অসিননি নপানা শম্বল খারিবা অসিসু।

- ইমা অহল মশেলগী মরক্তা য়ানদ্রিবা অসি খরা-খরা হন্দোক্লরগা খারিবা শম্বল অসি লৌথোকপদি য়ারোইদ্রা? তশেংনা মখোয়গা য়েক্লবা ওইরল্লিবা ঐখোয়গী পাবুং অহল অদুসু লৈখিদ্রে। য়ারগদি ইমা পাবুংদা হায়রগা শম্বল অসি লৌথোকখিনবা তৌরসি।

- এহ...এহ... মখোয়গী মচানুপী অসি চঙলক্লম্বদগী ইচাসি কৈনোমা তৌরে। নহালমখৈ ঙাঙদবা ৱাগা ঙাঙলক্লেম্মী।

-মথং-মথং

-কোংখাম চন্দ্রমনি

# তেংবানবা তাইবঙপানবা ওইরকপা অমসুং মীতৈ হৌরকপগী ৱারী -১০

হান্নগী মখা... মমিং অদুদি অতৈ কনামতনা কৌবা য়ারোইদবা ঐতনা (লৈমরেন) কৌজগদবা মীংনি। লৈমরেনগী ৱাদুদা সোরারেননা থোনজৌ তাকপীরে। লাইরেম্বীনা অঙাংগী মতিক ময়াই পূম্নমক 'ইপুরোই অপোকপা পোকলেন পোকপা' মশামক্কী কোনসেংনি খঙদুনা 'কোনসেং তুরৈ শেংবা' হায়না থোনখরে।


অঙকপগী মতৌনি ইপুরোইগী থৌশিলদি। কোনসেং তুরৈ শেংববু মচাতগী মতৌগুম চেৎনা চান্না লৈমরেলনা কোঞ্জবদগী লৈমরেম্বীসু নাও পুখরে খঙহৌদনা। লৈমরেননা নাওপুবা মকুম মথা শুরক্লে। সোরারেনগী সনা শঙ্গাইদা য়াইফবা খুদম ফাওররে। পারি অমা পোকখরে লৈমরেনগী মফমদা। সোরারেনগী মপারি ফংবদা লাইয়ামশিংনা হরাওরে। হরাও তয়াম কুম্মৈনা লাইরৈবাক মালেম নিনখরে। অঙাংগী মওং মতৌ য়েংদুনা ইতুক তুকথবা মরম্না 'তুকথবা' হায়না মমিং থোনখরে। তুকথবা তাইবঙ ফাওখরে। অহিং ইচিক হুনবদা সোরারেনগী সনা শঙ্গাইদা! অঙাংগী মমিং অমনা 'কোনজিন তুকথবা' হায়নসু কৌখরে। কোনসেং তুরৈ শেংবগা, তুকথবগা অনীবু লৈমরেননা য়োকখরে। মতমগী মতুং ইন্দুনা অঙাং অনীনা তুফাং য়ৈনা চাওরক্লে। পাখঙ মপূং ফারক্লে। সোরারেন লাইনিংথৌনা মপারি অহল 'ফুহিংসি' দা ইপুরোইগী পাউতাক মতুংইন্না 'তাইবঙ' শেমহল্লগে নীংখরে। মতম য়ৌরক্লে নীংদুনা! অসি খননা নোংমা কোরৌ অমদা মপারি অহল ফুহিংসি কৌদুনা তাইবঙ শেমলো হায়রকই। তাইবঙ শেমলো পারিহন ইপুরোইগী য়াথংনি, শোয়ফদবনি। ইপুরোইনা ইপুবু তাইবঙ শেম্মু তাকপীখি কুইখ্রবগী মমাঙদা তরং মপাউ লাউদুনা।

-মথং-মথং

-নিংঙোম্বম অমর (সিলহেনবা)

মতম মতমগী ৱাফম

# মৈতৈ শগোল (সকোন) মমিংতা ঙায়রে, ৱারীদা তাহৌরে





ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা ঙকখিবা পোৎ খরা লৈখি। তেঞ্জৈ অমগী মথক্তা য়েনবা অমনা তোংলগা মাইকৈ তাকপা মওংদা য়ূমথক্তা খিনবা অমা। অনীশুবনা পুখ্রি অচৌবগী ময়াইদা য়ুংবা উ অমদা উচেক অশাবনা তোংলগা লৈবা অসিনি। কিরকপদা লৈখিবনা নোংথক্তা থবী মহুম শাবা হায়নবা অমা, নোং মংদনা গ্রং-গ্রং খোংবা অসিনি। ৱাহৈ খরসিনা ৱারেং অসিগী ৱাহৌদোক ওইনা থমজরি। মৈতৈ শগোল নুংশিবসি কনানো ? নুংশিদবসিনা কনানো ? ৱাসিবু হায়বা য়াবা, হংবা য়াবা ৱাহংলা ? অদুবু ৱাহংসি হন্দক্তি নমদুনা হংহল্লক্লি। লৌরেম্বম ইবেতোম্বী অমদি লৌরেম্বম জিবাবুনা কোইচং চৎতুনা মৈতৈ শাগোনগী মরমদা থিরুই হংলুই অদুগা পাউ চেদা ঐখোয়গী শগোলশিংগী মরমদা মখোয়না ফংলকপা, খঙজরকপা ৱাফমশিং মরক মরক্তা নুংতিগী ফোঙবা চেপাউ অমদা ইরকপা নত্তনা ঙসি ফাওবা ঐখোয়গী শগোলশিংগী মরমদা লমদমসিগী অখঙ অহৈ অমত্তনা ৱারেং ইরকপা পংথেং থেংনখিদ্রি। ডা এল. সরতচন্দ্র (কুংশেলনহা) না "শগোল কাংজৈ" হায়বা লাইরিক অমা কুমশীং ২০১৬ তা পুথোকখ্রে। লমদমসিগী শগোল নুংশিবা মী কয়ানা পাখ্রবগে খঙদে। লাইরিক্কী নৈনমী অমত্তনা নৈনরকপসু থেংনখিদ্রি। লাইরিকসি পাবীরগদি শগোলগী মরমদা খঙলমদবা কনাগুম্বা খরদি খঙবা ঙমগনি। শগোলগী ৱারী শান্নবদসু নুংঙাইগনি খঞ্জে।

মণিপুরদা শগোলগী মরমদা খঙবা, ঙাঙবা হৈবা মী য়াম্না লৈবা উজে। শগোলগী মরমদা খঙবা, নুংশিবা মী য়াম্নসু লৈবীরমগনি নুংশিবীফমসু থোকই। ঐখোয়গী ইপোৎনি। শগোল থৌবা, শগোল লোইবা ঙাক্তনা শগোলবু নুংশিবা য়ারোই খঙবসু য়ারোই। অয়ুক নুমিদাংগী শজিক হুনজরিবা লোইবীরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা খঙবগা, ৱারী তারগা নোংমা-ফাদোক থৌরম খরা য়াওরগা, মী খরা উনরুরগা খঙলকপা নুংশিবগা অনীসিসু খেন্নগনি। মীমাং থোকপা অচৌ-অশাং য়াওবা থৌরমশিংদা শগোলগী নুংশিবা মী হায়বা অমগা ইমুং-মনুংগী মী অমা ওইনা মচিন-মনাও মপা মপুগুম্না নীংজবা নুংশিবা হায়বা অমগা অনী তোঙান-তোঙান্না উবসু ঙম্মী, খঙবসু লৈ। শগোল নুংশিবা মী মপাল কাংজৈবুংদা য়াম্না উই। সঙাই ফেষ্টিভেলদনা খরা হেন্না উই। হন্দক্তি পুক্লিংসে ৱারৌদবা ঙমদে। থম্মোয় শেংনা শগোল নুংশিবীরবদি নামৈ তাখৎপীদুনা, থাঙ্গোন পায়রগা তিংথৌ শজিক ফানবা, শগোল ইরুজবীবা, মখোং মখুৎ থেকপা, মশাদা শদুনা নাম্থোকপীবা মীওই হান্না ওইবা তাই হায়জনিংঙি। শফম চঙদনা, শগোলগী মথী ময়ুং শেংলক্তবা মীনা নুংশিদুনা ঙাঙবদি চিনবান খোইহি তৈবনি হায়বদা লাল্লোই।

শগোল তোংলমদাই, কাংজৈ শান্নরমদাইদনা লুনা তৌবীবা, লোইরগনা মানা মানা থোকপা নারক য়েকলক্লগসু হন্না য়েংবীদবসি সকোনগী নুংশিবনি য়োকখৎহন্নিংলিবনি হায়বসি ঐগী ইচিলসিনদি হায়বা ঙম্মোই। মরাইবক ফবা শগোল কাংজৈ শান্নবা য়াওগদবশিংবুদি ফাগৎপীদুনা, শজিক পীজদুনা চনা, হৱাই পীজদুনা মশা থাক্তুনা থল্লগা অতৈনা লম্বীগী অতা অতু অফংবা খূন্দুনা চাবা, লম্বীদা তাদুনা শিবদা কনানা লৌখৎপীবগে ? ষনলুপ নাইনা শজিক চাজরিঙৈ, শগোল অমা মরক্তগী ফাগৎখিবদা লৈহৌবা শগোলশিংনা নিংসা স্বর কামদুনা য়েংহৌবগী নুংশিবদু ফাওবীরব্রা? থৌনরুবগী মশাদা হুম্মাংনা পূমচোৎ চোৎলবা শগোল অমনা ঈশিং খৌরাংবগী মিৎয়েং য়েংলকপদা ঈশিং বাল্টিণ অমতা ওইরবসু মনাক্তা পুশিনগে খনবীখ্রব্রা? থাদোক্তুনা থল্লিবা শগোলশিংনা পাৎতা হুপ চারিঙৈদা মপু লাকপগী নুংশিনা থাপ্পা য়েংলকপা, মপুনা কৌবদা খোঞ্জেল খঙদুনা শগোলনা খুমলকপা অদোমগী নাকোংনা তাবিখ্রব্রা? মরোন থোক্ত্রবসু শগোল লোইরিবা মীগা শগোলগা খোঞ্জেল থোক্তনা থম্মোয় মশেল ৱারী শান্নবসিমদি মপানগী মীনা খঙলোই অয়ুক্কী নুমিদাংগী লোইনরিবা মহাক্তনা খঙগনি। মরোল থোক্তবা শগোলনসু খঙঙি। অসিগুম্বা থানবা য়াদনা লৈরিবা ঐখোয়গী মৈতৈ শগোলনি।

মৈতৈ শগোলদি শঙ্গোম শুম্বী ষনবীগুম্না, ষনগাড়ি চিংবা ষন লাবগুম্না চরু খরা, দনা খরা পীজরগা ষনগোন্দা পুনশিন্দুনা থম্বা য়াবা অদুগুম্বা অমসু নত্তে। হৌজিক খ্বাইদগী লুরিবদি শগোল থাদোকফম্নি। শগোলগী মরমদি শেন্নরিবা, লোইবীরিবা মহাক অদুতনা কূপ্না খঙগনি। মমা মপা ওইবীরিবশিংনা মচাগী শাজৎ, অপাম্বা, হৈনবা খঙবগুম শগোলদি মহাক্না অয়ুক নুংথিল লোয়নরিবা অশেংবা মপু অদুতনা শাজৎ খঙজবনি। ঐগুম্বা অমনা নোংমা ফাদোক মীয়াম তিনবা মফমদা শগোল নুংশিবগী ৱারী লীবদি হুম্মাং মনম নম্বা, চৎপদা করাং ফাকপা, মখোং কোনবা শগোল লোইবীরিবা, শেন্নরিবা মপুনা নোক্লিংগনি।

ৱারেং অসি ইজরকপগী মরমসি য়াম্মী। শেমজিন-শাজিন্দুনা মীনা পাবা, তাবা নুংঙাইনবা থাগৎপীরক্লবা মওং অদুদি পামখিদে। ঐসু শগোল লোইরকখিবা ইমুংদগী হৌরকখি। ইপা ইপু হাক্তকতগী, ঐখোয় ইমুংগী শাংলবা শগোলগী ৱারী লৈজে। ঐখোয়গী শগোল মরী মঙা ফাওবগী ৱারী খঙজে। অঙাং ওইরিঙৈ কোনুং লম্পাক্তা শগোল লমজেন তান্নবা য়েংবা ইধৌনা তোয়না পুবীরকই। নুমিদাংৱাইরমগী তন্দন্না শগোল লমজেন তান্নফমদা পাইবা, মুকথ্রুবী তিলনা পাইরকপা উরকই। শগোল শেন্নবা ময়ামগী ৱারী তাহৌই। ঐনা খঙবা, থিজিনবদগী ফংবা ৱারীসু লৈখি অদুবু কৈদৌরুনি ? মনানা হৈমাং শাবা, শগোলগী মতাংদা তৌনরিবা ময়ামসি উরুরগা ইতোমতা ৱারৌজবা নত্তনা। কুইরে খাঙদুনা লৈজরকপসি। মপাল কাঙজৈবুংদা শগোল কাংজৈ শান্নবদা ঐখোয়গুম্বা মীচমগী শরুক, মফম লৈতে। অচৌ অশাংশিং অমদি মখোয়গা লোয়নবা মরুম থুপ্পিংবা, নক্লনিংবশিংগী অচৌবা মফম অমা ওইনা ঐগী ইমিৎনা উখিবগুম্না তৌখি। ঙসিসু, হৌজিকসু মদুমক অদুম উরি। হৌজিক লৈরিবা মওং অসিগুম্না অসুম চৎথরগদি শগোলগী মরাইবক্তি থীখিনি। ঐনা উখিবা থেংনখিবা নুমিৎ অদুদগী মপান কাংজৈবুংদা শগোল কাংজৈ নৎত্রগা শগোলগা মরী লৈনবা থৌরমদা অমুক হন্না চঙলরোই খনখি। অসি য়ৌনা ঐনা ৱারৌজখিবনি।

'লাইরা মচা শগোল থৌবা তম্মূ' হায়বসি করিগী হায়রিবনো ? চূম্মী শগোলদি লাইরবা মীনা লোইরকই, থৌবনা অঙম অথৌনা থৌরি, তোংলি। ৱাসু মখোয়না ঙাঙঙি। লমসু মখোয়না পীথোক পীশিন তৌবী। অঙম অথৌগী ওইবা অরু-অহেন মীৎকী কূম্মৈগীদমক সকোন শীজিন্নৈ। মশা শোন্দম নাউদম্বা সাকোনগীদি খঙদে, শিজখ্রসনু হায়দুনি। মতম অমা ঙল্লিঙৈ সকোন হঞ্জবা ফম লৈরিঙৈ চৎনরোল করম তৌরমগদগে খঙজদে। মীয়াম মমাঙদা অখঙ-অহৈশিংনা হৌজিক পীবা পব্লিক স্পীছতি ফজখ্রে। ...মণিপুরী পোনি মালেমগী মফম অতৈদা লৈতে। ঐখোয়গী লমদমসে পোলোগী হৌরকফম্নি। চহী লীশিং অনীগী পুৱারী লৈজরকপা লমদমনি। ঐখোয়গী নাৎ, আর্ট এন্দ কলচরনা মণিপুরবু মালেমদা মশক তাক্লি..। ৱাহৈশিং অসি তামন্দুনা হক্কৎচবা ফাওরে। হেন্নদুম করেম্না ৱাহৈ অমনি হায়না লৌরকই। মীগী মচাদা মমা মপাগী মমাংদা হরাউনবা নুংশিবা শাদুনা খজাই শিকপদু ওইনা উরকই। অঙাংবু অশেংবা নুংশিবা ওইরগদি মীগী মচাগী মনপ চোরিবদু হঙ্গোইদনা তৈথোকপীবা পামজৈ। মাডর টেরেশানদি মীগী মচাগী অমোৎপা তৈথোক শিৎতোকপীরগা ঐখোয়নদি করিগী ? মহাত্মা গান্ধিনদি কোট শুট টাই পূল্লম্বদগী ফুরিৎ লীৎতনা মীয়াম তিনবা মফমদা ৱা ঙাঙবদি ঙল্লগা ঐখোয়নদি করীগী ? ৱাহংশিং অসি ঐখোয় ইশানা হৌজিকসু হংজদ্রি।

লাইরিক হৈবনা ইংরাজি লোন্দা মৈহৌরোলদগী লৈজরকপা, কৌনরকপা মমিংশিংবু হন্দোক্তুনা পাক শন্না হেন্না খঙনবা হায়দুনা হন্দোকপীরি । মৈতৈ সকোনবু পোনি, মৈতৈ সকোল কাংজৈবুনা মণিপুরী পোলো, কাংজৈবুংবুনা পোলোগ্রাউন্দ হায়বা, মৈতৈ শবনবুনা সেদ্দল অসিনচিংবনি। মীরোলদা হন্দোক্লবদগী মীরম্না খুদোং চাবা হেন্না লৌরকই। ঐখোয়গী পোৎশিং অসি মীঙোন্দগী লৌরকপা পুরকপদৌনা মপানগী মীওইশিংনা ঙাঙনবসু লৈখি । মীরোলদা অসুম ঙাঙনখিবা, মীরোলদা মমিং থোল্লুবদগী মৈতৈ ইরোলদা করি কৌবগে খঙনরক্তবা অসিনা ইরোল শিখিনবগী মরম অমসু কন্না ওইরকই। ঙসিগী মীরোলশিং অশেংবা ঐখোয়গী লোলদা সকোনগী মচু মখলশিং করি হায়না কৌনবগে খঙবা মীগী মশীং খুৎথেক্তুনা পাবা য়ারমগনি। খুদম ওইনা, মতম অমা ঐখোয়গী সকোনশিংগী মচুদা হায়নরম্বা মমিংশিং-কোনা, কারু, কোরি, কাব্রং, খোঙদাঙ, খোঙদৈ, মঙ্গৈ, মঙ্গৈ মরু, মঙ্গৈ মপাম, মোরা, নাত্রং, তুমনৌ, তিনসিং, লৈফোন, সনাবি অমদি অরাংবনি। অসিগুম্বা মচুগী মমিংশিং অসি ঙসি ঙাঙনখিদ্রে। মাঙশিল্লক্লিবা কয়া অসি কনানা য়েংশিল্লিবগে, কনানা শেন্নরিবগে হায়বসিসু খঙদে । অদুগী মহুৎতা ঐখোয়গী শগোলশিংদি লম্বী লমখাংদা, লমজাওদা চেল্লিবা গাড়িনা থোম্বীদুনা শিবা, ফিভম কায়না হিংবা কয়া লৈরি ।

শগোল কাংজৈ শান্নবদা য়াওগদবা, শান্নবগীদমক খনগৎতুনা থৌরাং তৌরবা শগোল খরদি মরাইবক ফরে। মসি নত্তবা খনবীদবা শগোল কয়া অমদি চানিংঙাই লৈতবদগী অমোৎ অকায়, চেজেৎ, প্লাস্টিক খাউ চাশিনবদগী নাদুনা শিবা মশীং খঙদ্রি । চাফম লৈতবা অহিং য়ারেকফম লৈতবদগী পূল্লপ পূল্লপ লমজাওদা থোক্লি। মসিগী মরাল শগোলশিং অসিগীরা ? শগোলবু লোইবিরিবা মীওইশিংগীরা ? শগোল লোইবদি লাইরবনা লোইবনি মথক্তসু হায়জখ্রে। লৈতবদগী নৎত্রগা থৌশাদবদগী মীচং মীখাই নাইনা য়োকপী থাকপীবা শগোল লোইবা মওং খরসু উবগুম তৌরি। ঐখোয়গী মীয়াম হৌজিক লাইচৎ অমগী য়াম্না চিল্লি। লমদমসিদা থবক ৱাৎতে। লোলগী মতাং লাক্লগা লোলগী অমুক, ঙমখৈগী লাক্লগা ঙমখৈগী, ইন্নর লাইনগী লাক্লগা ইন্নরগী, ভোটকী লাক্লগা ভোৎলোমদা অমুক পূল্লপ্লি। সঙাই ফেষ্টিভেল কুইদ্রে হন্দক্কী ওইনদি খঙদ্রি, পাংথোকপা তারগদি শগোল নুংশিদুনা নীংশিংনরক্লগনি খঞ্জে । লম্পাক শেমগৎনরক্কনি। ইমিৎ অসিনা উরি সঙাই ফেষ্টিভেল অমদা কোনুং লম্পাক্তা পাংথোকখিবা থৌরম লোইবগা ষ্টোলশিং শিদোক্লখিবগী নুমিৎ মরী মঙানি চাইদুনা কোনুং লম্পাক্তা লৈখি। শগোল চাজেনবী অমনা অপীকপা মচাগা লোইননা লম্পাক্তা চঙলগা চাইরিবা চেখাউ অদু চারুবদগী পল্লগা লময়ানবা শঙলেনগী লম্পাক্তা চঙশিন্দুনা ৱানা শীরমখি। শিরবা শগোলদু অমুক শিফাৎত্রিঙৈদা খুনগী হুই খরনা মবুক্কী শরুক হোৎতুনা চাবীরমখি। পীক্লিবা মচা অদুনা মমা অদু শিরে হায়বা খঙদবগুম অশিবা মমাগী মনাক্তা লেপ্পলগা লৈরম্মী। মদু উরুবদা কোইচেন চেন্দুনা শগোল অশিবদু লৌখৎপীনবা পাউ পীজরমখি। কনা অমত্তা লাকপীখিদে । থেংলবা মতমদা লাক্তুনা পুখি হায়বগী পাউ তাখি । নোংঙাল্লগা ঐনা থবক অমগী বামোন লৈকাইদা লাকপদা থুম্বু থোং অমনবা তুরেল খোংনুংদা অশিবা সগোনদুগী মশা পল্লগা তাউদুনা লৈরম্বা থেংনখি । সগোন অদু লময়ানবা শঙগী মমাংদা শিরগা তাদুনা লৈরমখিবা অদুমক্লি । অসিগুম্বা মওং কয়া কয়া লমদমসিগী মফম খুদিংদা শিবা নাবা থোক্লকপদা য়েংশিনবীদবা কয়া থোক্লি। ইম্ফালগী পাক্লবা লমজাউ সরক্তা মমল য়াল্লবা গাড়িনা থোমদৎপীদুনা ঈনা পুমঙাং ঙাংলগা শিরগা তাদুনা লৈবা থৌদোক কয়াগী শক্তম কয়া লৈখ্রে। পূম্নমক অসি উনা খঙনা তানা তানা ঐখোয়গী চিন অসিনা শগোলবু নুংশি হায়দুনা শোনবা লেপত্রি । লমজাও শেমজিন্নবা, কম্যুনিতি হোল শেম্নবা, থোং রিপিয়ারিং তৌনবা সেনদি লৈরগা শগোলগী অনা অয়েক্কী সেনগা মরী লৈনবা অমত্তা লোয়শঙশিংদা হাপ্পীদবসিবু চুন্নিব্রা ? রোহিংয়াশিং ফাওবা মখোয় ময়ামগী লৈফম পীবীরি। মখোয়গীদমক লৈঙাক্লা থবক লৌখৎপীরি। তাঙনা ফংলিবা ঐখোয়গী মৈতৈ শগোল অসি রোহিংয়ামক্তি নৎতেদনা করিগী লমদম অসিদা রিফ্যুজি অমগুম হিংহনবীবনো ? মশীং থীরিবনি হায়দুনা থৱায় য়াওবীবা খরনা মশীংদা পংথী থীবিরি। মখোয়গী মশীং থীবগী পাউদম তারগা থবক লৌখৎকনি হায়দুনা সেন্থং ফন্দ ঙাইবনদি সনরেম্বী ইমাদি খ্বাং য়ৌরে, থজিন য়ৌরে হায়দুনা শিরকপনা হানবা তাবনি। চরম ফুন্দুনা শিবগী পাউ তারগা থবক লৌখৎপদি মীনা থাগৎনিংলোই।

শগোলগা ঐখোয়গী নাৎ লৈশেমঙৈগা লৈনরকপা ৱারী ৱাখোং নৈনদুনা লৈবা মতমগা চুনদ্রে। মদুনা ৱাফম অমা ওইনা শেংনা লৈজখিসনু। হৌজিক মাঙদা তারিবা, উরিবা ৱাফমদি শগোল কনবনি, হিংহনবনি। মশীং য়ামখৎহনবনি। মতম অমা ট্রাইনোসর, ডাইনোসর ময়াম লৈরম্মী হায়বগী ৱারী লীনবগুম ঙসিগী মওং অসিদি চহী খরগী মতুংদা মণিপুরদা শগোল কৌবা অমা লৈরম্মী হায়দুনা ৱারী লীনহৌবদি শোইররোই। মসি থোক্তনবা অথুবদা থবক লৌখৎপা মথৌ তাই। ঙমগদবতা হায়নবীয়ু, চহীগী শেনবদা য়াওহনবীয়ু। তুং কোইগদবা থৌরাং পোলিসি শেমদুনা থবক হৌহনবীয়ু। মোইরাংগী ৱারীদা য়াওবা থোংলেনগুম্বা মী মথৌ তাই। '... ইপাগী খম্বা নঙবু কাওনা তাল্লে ঙাঙনরিবসি চুমলব্রা ? নঙনা কাউ ফাবা ঙমদদুনা কাউনা তাল্লগদি ইপাগী নাক্তা চেনশিল্লকও। কাউদো ইপানা ফবীগে, মনা লৌবদি নঙনা নহানি থোইবীদু লৌজৌ-ও...'। মোইরাং কংলৈরোনগী ঈশৈসি অচুম্বা য়াওই। শগোল হিংহনবদা থোংলেনগুম্বা মী থিদবা য়াদে । মতম অমদি শগোলগী মরী লৈনবা থবক্তা থোংলেনগুম্বা মী উখি। মখোয় খরনদি শগোলগীদমক লোইফম, থম্ফম, শগোল থৌবা তম্ফম লম ফাওবা থম্বীরমখি হায়না তাজখি। ঙসি লমশিং কনা কনাগী ওইখ্রবগে, করিদা শীজিন্নখ্রবগে। চানবা শজিক নাপি থাফম, থমফম, পোদর ফার্মগী পাউদম লৈতে। মৈতৈ শগোলগীদমক লৈত্রাম তিংখাই খুন্নৌদা শেমখিবা শগোল লোইফম, লম্ফেলদা চিঙ্গাক্কীদমক (ফোদ্দর ফার্ম) কনখি হায়না তাখিবা লমশিং করিদা শীজিন্নখিবগে ? থৌরাংদি য়াম্না লৈখি হায়না তাজখিবনি। তুংকোইনা চৎনরম্লগদি ঙসি মৈতৈ শগোলগী মরাইবকসি, অসি য়ৌনা খুদোং থীবা নংলমলোই।

শগোলগী ৱারীদি য়াম্না লৈখ্রে । ইম্ফাল ময়োন, কাংজৈবুং খক্তনা শগোলগী ৱারী লৈগদবা নত্তে। মণিপুরগী কাচিন কোয়া, পাৎ-তুরেল, উমং-ৱাংমং, খুনগী মীওইশিংগা শগোলগা লৈনখিবা ৱারীসু লৈরি। শগোলগী মরম খঙবা অহল মশীং য়ামদ্রে। শগোলগী ৱারী খঙবা মীওইশিং লৈবু লৈত্রে হায়বা য়াই। নহারোল মরক্তা শগোলবু ইমুং-মনুংগুম নুংশিবীবা, মচিন-মনাওগুম্না খন্না নীংজবা মী লৈরি। মখোয়দি সেন পায়দে, কোট লিৎতে অদুনা মখোয়গী মফম কাংজৈবুংদা লৈতে । মখোয়দা শিন্নবীরবদি শগোল হিংগনি।

মতম অমা শগোল শেন্নবা ময়ামগী মাইঙো লৈরম্মী। মাইঙোগী ৱারী য়াম্মী, য়াম্না শাংঙি। মাইঙো কয়া, খুরাইবুংঙো, তাইবুংঙো, ইনেইবেম্মা, ইচেইবেম্মা, পাবুং খগা কয়াগী ৱারী লৈখি। লান মমাং অমদি মতুংদা মৈতৈ সগোন নুংশিবা সগোনগীদমক কৎথোকখিবা মৈতৈ নুপীশিংগী মরক্তসু য়াওখি। শগোল লমজেল তান্নখিবগী ৱারী, সাহেবকা শিল্লোং রেস কোর্দতা শগোল লমজেল তান্নখিবগী লীথোক্তবা ৱারী লৈরি । ৱারীদি ৱারীনি। ৱারী ওইনা লৈজরসনু। শগোল হিংহল্লবা মতুংদা অখঙবা ৱারী লীনবনা চুমগনি। পোনিদি কোন্না লাকসনু। হৌজিক মাঙদা তারিবা ৱাফমদি মৈতৈ সাগোন হিংহনবনি। মতম অমা ঙল্লিঙৈদা শাগোল লমজেল তান্নফম লৈরম্মী। ঙসি ভাগ্যচন্দ্র ওপন এয়ার শারিবা মফম মাইকৈ অসোমসি শগোল লমজেন তান্নফম্নি। ইম্ফাল মপান কাংজৈপুং, কংলা মনুংগী কাংজৈপূং সগোন কাংজৈ শান্নফম ওইরম্বা ঙাক্তনি। মমল য়ামখ্রবা মফমশিং অসিদা ঙল্লিঙৈদগী মরু ওইনা শগোলগীদমক লৈরম্বা মফমশিং য়ূমদাংবনা কৈ নাইবগুম অতোপ্পশিংনা শগোলমনীং তম্না শান্নরম্বা মফমশিং মবুক পেন্না চাক্তজরম্বা, শাওলম্বা পাৎশিংবুনা লোইশঙ ময়াম শাজিন্দুনা ফম্নাইবশিং, সেন্জাও পাইবশিংগী ইঙ্খোল ওম্থোকপীবদগী ঐখোয়গী শগোলনা লমজা, রোংহিয়া রিফ্যুজি ওইখিবনি। শান্নফমগী কোর্ড য়ার্দ শেমগৎপীবগুম, ষ্টেডিয়ম শাবীবগুম লৈকাইদা কম্যুনিটি হোল লীংখৎপগুম, ঐখোয়গী সগোলগী লমজেন তান্নফম রেস কোর্ড, কাংজৈ শান্নফম অরেপ্পা মফম লৈহন্দবসি খ্বাইদগী চাউনা অশোয়বনি। করম্বা মফমদা শগোলগী চাক্তফম মফম শেমগদগে হায়বসিমদি অখঙ-অহৈশিংগী ৱা লৌবনা চুমগনি। শগোলগী চাক্তফমদি মহাক্লা পামজবা, হৈনবা মফমসু লৈ । লৈকং ঙাক্তনসু য়াদে । মফম অমা হেক্তা কনশিনবনা চান্নদবসু য়াই। চাক্তফমদা শগোলদি মশাগী শাজেল তৌজবনি, লৈওনজবনি, মচাসু পোকচরকপনি । শগোল লোইজরিবা, শগোল কাংজৈ শান্নরিবশিং মথৌ পীরবতদা শগোল হিংবা ঙমগনি। মখোয়গী মথক্তা মরী লৈনবশিংনা পোলিসি শেম্বীদুনা য়েংশিনবীবা, অনৌবা রাইদিং ট্রেনিং একাদেমী লাইরিক লাইশুগা লোইননা গ্রেজুয়েট লেভেল ফাওবা অহানবগী হাংনবা হোৎনবীবা চুমগনি। স্পোর্টস একাদেমী হাংবগুম স্পোর্টসতা হেন্না খুদোং চাবা পীবগুম শগোল কাংজৈরোইশিংগীসু থৌরাং খরা লৌখৎপীবা থেংমল্লে । শগোল শিবগী পাউ হেক তারগা শগোল নীংশিংবসি থাদোকপা চুম্মী । শগোলখক্তগী ওইবা আর্কাইবস, মিউজিয়ম লৈজদ্রি। লাইরিকশু মশীং য়াম্না ফোংবা থেংনদে । হীরম অসোমদা থিজিন্দুনা ডোক্তরেট দিগ্রী থোকলক্লবা পোরম য়াৎপীরম্বা চঙলি। চহীগী ট্রোফি অমখক পাংথোক্লগা মৈতৈ শগোল হিংবা ঙমলোই। পূম্নমক পুকচেল শেংবদা লৈরে। ■

- মাখোনমনি মোংসাবা

# শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (৩শুবা) লোই থাবা

*(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা 'শ্রীকান্ত' পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)*

ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবা

(হান্নগী মখা চৎখজরকপা...)

মখা তানা মানা হায়রকখি, "ত্যুইসনগী থবক্তু ঐ থাদোক্লে। মদু ঐঙোন্দা ৱামন্না থোক্লে। অদুগা, ঐগী অফিসকী থবক্তুসু ঐঙোন্দদি য়াম্না ৱাজবনি। নুমিদাংৱাইরম ওইরকপদদি ঐ পূংচোক চোকথবনি। অদু নত্তবা ঐগী অৱাবা নুংঙাইতবা করিমতা লৈজদে।"

অভয়ানা হায়জবগা অমত্তা তাবিদনা মানা ত্যুইসন চত্তুনা ঙসি মানা হায়রিবসিগা তায়োন্নদা তৌখিবদু নীংশিংদুনা ঐ ৱা ঙাঙদনা তুমিন্না তাদুনা লৈখি। মতমদুদদি অভয়াবু নুংঙাইনা থম্বিনিংবগী ৱাখলতা খন্দুনা অদুম লৈখিবনা মাগী থবক্তু তৌবদা মঙোন্দা নুংঙাইজখি। মেছিন হায়বসি থাউ হাপ্তবা য়াদেকো হায়বসি খল্লুবদা ঐ থৱায় নুংঙাইখিদে। মদু ঈশিংনা চেলহনবা য়াবা নত্তে। তামো ঠাকুরগী হোতেলদা লৈরুসি হায়না ঐনা মঙোন্দা হন্না হন্না হায়জরবসু মানা য়াখিদে। অভয়াগা মাগা লৈমিন্নদুনা পানমিন্নরমখিবা ইমুং মনুংদু থাদোক্তুনা চৎপগী ৱাখলসি খল্লুবদা মহাক্কী মথম্মোয় কায় হায়বসি ঐনা খঙবা ঙমখি। মানা হান্নগী পুন্সিগী মওং অদুদগী হেন্দোকপা অনৌবা পোৎশক অমত্তবু পাল্লুবা, কল্লকউবা, আশা তৌরুবা লৈত্রে। মাগী অকোয়বদা হৌজিক উরিবা অমসুং লৈরিবা পোৎ কয়াসিগা শাগোন্নবা নীংশিং খুদম কয়াসি পামজদুননি মানা মফমসিদা অসুম লৈথরিবসি, মরমদি মখোয়শিং অসিখক্তননি মাবু মপোপ কায়হন্দনা অসুম হিংদুনা লৈবা ঙমহনগদৌরিবসি, - মখোয়দুবু উরুরগা মথম্মোয়দা অৱাবা কয়া পোকচরবসু। মাবু ঙাক্লৌ পীদুনা লৈরিবা পোৎ-চৈ ময়ামসিবু থাদোক্তুনা চৎপা হায়বসি মঙোন্দদি "পূমতাক তাকপা-পূম্মাঙ মাঙবা" হায়বা মওংদু মথানুংদা চেজেৎ কোনশিন্দুনা থম্বগা পাংখক ওইরগদবনি।

নুমিত্তুগী নুংদাং অথেঙবা মতমদা ঐনা ঐগী কাদা চঙখিবদা নুপা অমা লৈমায়দা ফমদুনা ফক্লাংদা ঙাথরগা উইদুনা লৈরম্বা উখি। মহাক কনানো হায়না য়ূমগোইবী চন্নরাদুদা ঐনা হংলুবদা খুল্লকখি, "কনাগুম্বা ভদ্রলোক অমনি।" মানা হায়রিবসিগী ৱাপুদি মহাক ইঞ্জিন শেম্বা নত্ত্রগা পোৎথাংবা মী নত্তে হায়বনি। মহাকসি তামো ঠাকুরনা ঐগী কাসিদা পুশিল্লক্তুনা লৈহল্লম্বনি হায়বা ঐ লৌশিং তারকখি।

চাক চারবা মতুংদা ঐখোয় অনী শকখঙ-মায়খঙনখি। মানা হায়বদা মহাক চিত্তাগোংদগীনি, চহী মরিগী মমাঙদগী ময়ূমদগী চৎখ্রবা মনাওনুপা অমা থিবা লাকপনি। মহাক রেঙ্গুনদা নুপী অমা লৌদুনা লৈরে হায়বগী পাউসি চয়োল খরগী মমাঙ খক্তদা মখোয়না ফংখি। মানা হায়রকখি, "কামরূপ নুপীশিংগী ৱারী অদোম্না তাবিরল্লনি, -নুপাবু য়াও ওলহনবা ঙম্বগী ৱারীদো? ঐনা তাজখ্রিবা ৱারীসিদদি বর্মা নুপীনা হেন্না তরাইবা, কিনিংঙাই ওইদবা নত্তে। কবো নুপীদুগী মখূত্তগী ঐগী ইনাওদু কন্নবা হোৎনবদা অদোম্না ইতেং পাংবিদবা য়াদ্রে।"

ঐনা হেক ঙম্বমখৈ তেংবাংগনি হায়না থাজবা পীরে অমদি তেংবাংনিংবগী অৱাংবা ৱাখলগা লোয়ননা মথংগী অয়ুক্তুদা মাগী মনাওনুপাগী য়ূম থিবা চৎলে। য়ুমদু থিদুনা চঙলবদা, মানা লৈরিবসি মাগী নুপীদুগী অহল- লমন্না থম্বিরম্বা য়ূম্নি অমসুং মনাওনুপী অমগা লৈমিন্নবা লমজা মচানী হায়বা ঐনা খঙলে। নুপাদুদি অয়ুক কোয়থোকপা চৎখিরমদুনা লৈরমদে, অদুগা নুপী অনীদুগা অতোপ্পা নুপী খরগা সীরিক্ কোন্দুনা লৈরম্মী - মদুনা মখোয়গী শেন্দান লম্বীনি। মচে অহন্দুনা ঐবু থোইদোক্লা লুনা তরাম্না ওকখি। ঐসি বেঙ্গলী অমা ওইবনিনা মাগী নুপাগী মরী মতা ওইরমগনি হায়না খল্লি হায়বসি থোইনা চিংননিংঙাই লৈতে।

কবো নুপীশিংসিদি থোইদোক-হেন্দোক্লা নোম্বা কল্লী অদুগা মখোয়গী নুপাশিংদি তশেংনমক মথুন লেঙনিংদবা কতন ঙাক্তনি। নুপীশিংনা মরুওইনা ইমুংগী চেঙ পুবনিনা (অদুগা তশেংনমক্কী য়ূমগী মীনাই হায়বদু ওইবনিনা) মখোয়সি লাইরিক লাইসু খরা হৈবসি য়াম্নমক মরুওই। অমরোমদনা, নুপাশিংদি মখোয়নবু হৈনিংদ্রবদি লাইরিক শূকতম তমদ্রবসু য়াই, -শূকহৈ হৈতবা য়াই, মরমদি মখোয়না য়ূম পুদবা য়াদে হায়বগী অকক্লবা অরুম্বা থৌদাং মথক্তা নন্দে। নুপীনা নোম্লগা চাবা অদুগা নুপানা কান্নদবা থৌরেম তৌদুনা মতম লেনবগী মওংসি মখোয়গীদুদদি য়াম্না তোয়না উবা শক্তম্নি। খুন্নাইনা মহাকপু থীনা হায়বিদে, মাগী নুপীদুনসু শাউদে, চৈদে। মসিগী থৌদৌসি কবো নুপাগীদি লৈবাক্কী ওইনা চৎনরবা লোনচৎ অমা ওই।

-মথং-মথং

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।